মধ্য প্রদেশ ৱাথোক ঃ

# রিবেল এম এল এ ২২দা স্পিকরনা নোটিশ তৌখ্রে, বি জে পিনা পাঙ্গল চাংয়েং দিমান্দ তৌরি



**ভোপাল, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** মধ্য প্রদেশ এসেমব্লি স্পিকর এন পি প্রজাপতিনা রিজাইন তৌখ্রবা কোংগ্রেস এম এল এ ২২দা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা মহাক্কী মমাঙদা লাক্লবা খঙহল্লদুনা নোটিসশিং পীখ্রে।

মখোয় অদু মশানা ফম থাদোকচবরা নৎত্রগা কনাগুম্বগী শাফুনা তৌখিবরা হায়বদু স্পিকরদা শেংদোক্কদবনি হায়না ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা এসেমব্লি ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

মরকসিদা বি জে পিনসু মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিদা মার্চ ১৬তা পাঙ্গল চাংয়েং অমা পাংথোক্লবা দিমান্দ তৌগনি হায়খ্রে।

অমরোমদা, এম এল এ ২২ অদুগী ফম থাদোকপগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌরবা মতুং খক্তদা ষ্টেট অসিগী গভর্ণমেন্ট পায়রিবা কোংগ্রেসনা চাংয়েং অদু মায়োক্লনবা পার্টিনা থৌরাং তৌরি হায়খ্রে।

সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর দিগবিজয় সিংহনা রিজাইন তৌখ্রবা মিনিষ্টর ৬ য়াওনা এম এল এ ২২ অদুদা স্পিকর প্রজাপতিনা নোটিসশিং থোকখ্রে হায়খি।

এম এল এশিং অদুনা মখোয়গী ফম থাদোকপগী চেরোলশিং অদু পীশিন্নবা এসেমব্লি স্পিকর উন্নখিদবগী মরম করিনো খঙনবসু দিগবিজয়না দিমান্দ তৌখি।

এম এল এ ২২ অদুনা মখোয় মশানা ফম থাদোকচবরা নৎত্রগা কনাগুম্বগী শাফুদগী থাদোকখিবরা শেংদোক্লবা ইরাই ফাওবগী মনুংদা মাগী মমাঙদা লাক্লবা স্পিকরনা খঙহনখি হায়না বিধান সভা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এ পি সিংহনা হায়খি।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জ্যোতিরদিত্য সিন্দিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পার্টি থাদোকখিবা মতুংদা কোংগ্রেস এম এল এ ২২ ফম থাদোকখিবা অদুগী মখা তারকপদা থা ১৫ শুরবা কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা অরুবা ৱাথোক মায়োক্লরকখি।

কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা হৌজিক মাইনোরিটি ওইরবনা ষ্টেট বজেট সেসন হৌবা মার্চ ১৬তা পাঙ্গল চাংয়েং অমগীদমক ঐখোয়না গভর্ণর অমসুং এসেমব্লি স্পিকরদা হায়জরগনি হায়না মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিদা বি জে পিগী চীফ হ্বিপ নরোত্তম মিশ্রনা মফম অসিদা পাউমীশিংদা হায়খি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি লিদর শিবরাজ সিংহ চৌহাননসু গভর্ণমেন্ট অসি মেজোরিটি মাঙখ্রে হায়খি। বি জে পিগী ৱাঙাংলোই রজনিস অগ্রৱালনসু ষ্টেট এসেমব্লিগী বজেট সেসন হৌবা নুমিৎ মার্চ ১৬তা ফ্লোর টেষ্ট অমগীদমক স্পিকরদা মখোয়না তকশিনগনি হায়খি।

বি জে পিগী দিমান্দ অদুগী মতাংদা হংবদা দিগবিজয় সিংহনা ফ্লোর টেষ্ট অমগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা থৌরাং তৌরি হায়খি। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা কনষ্টিট্যুসনেল ক্রাইসিস অসিগীদমক বি জে পিবু মরান শীরদুনা, কমল নাথ জিনা হান্ননা ফ্লোর টেষ্ট অদুগীদমক ঐখোয় থৌরাং তৌরি হায়খ্রবনি। অদুবু ফ্লোর টেষ্ট অদুগী মমাঙদা এমে এল এশিংগী ফম থাদোকপা অদুগী মতাংদা ৱারেপ অমা শোয়দনমক লৌগদবনি হায়না দিগবিজয় সিংহ হায়খি।

এম এল এ শিং অদুনা অমমমতা ওইনা স্পিকর উন্নরবা অমসুং শাফু অমত্তা নন্থদনা মখোয়গী সহিশিং ভেরিফাইদ তৌরবা মতমদা ফম থাদোকপশিং অদু য়াগনি। অদুদগীদি ফম থাদোকপশিং অদু য়াগনি অমসুং এসেমব্লিগী ফ্লোরদা পাঙ্গল চাংয়েং অদু পাংথোকপা য়াগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কোংগ্রেস এম এল এ ১৯ মখোয় (বি জে পি)না ফাজিন্দুনা থমখ্রে। এম এল এশিংদুগী ইমুং মনুংনা মখোয়দা ৱারী শান্নবা ঙমদ্রে। মখোয়গী টেলিফোনশিং লৌথোকখ্রে। কোংগ্রেস এম এল এশিংগী ফম থাদোকপা অদুবু বি জে পি লুচিংবা ভুপেন্দ্র সিংহনা স্পিকরদা থাগৎখিবা অসিসু অঙকপনি হায়খি।

জ্যোতিরদিত্যা সিন্দিয়ানা কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকখিবা মতুং থুনমক মধ্য প্রদেশতগী কোংগ্রেস এম এল এ ২২না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিজাইন তৌখিবনি। এম এল এশিংদুগী ১৯ হৌজিক বেঙ্গালুরুদা লম কোইফম অমদা লৈরি অদুগা অতোপ্পা ৩ মধ্য প্রদেশতা হৌজিকসু লৈরি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

মেম্বর ২২৮ লৈবা এসেমব্লিদা কোংগ্রেসকী অপাবা মেজোরিটি অমা লৈ। এম এল এশিংনা লাল হৌরকখিবা অদুগী মমাঙদা পার্টি অসিগী এম এল এ পুন্না ১১৪ লৈরম্মি। মদুসু ইন্দিপেন্দেন্ট ৪, বি এস পি এম এল এ ২ অমসুং সমাজৱাদি পার্টি ১না শৌগৎলগনি। মখোয়সিগী মনুংদগীসু খরদি হৌজিক বি জে পিদা য়াওশিনখ্রে।

এম এল এ ২২গী ফম থাদোকপদু য়ারকপা তারবদি এসেমব্লিগী অপুনবা মশীং ২০৬তা হন্থরগনি। কোংগ্রেসকীসু এম এল এ ৯২ খক্তা লৈহৌরগনি অমসুং বি জে পিগীনা এম এল এ ১০৭ লৈহৌরগনি। হৌজিক এসেমব্লি অসিদা মেজোরিটি অমা ওইনবগী মশীং অদু ১০৪নি।

# আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা মতুংদগী মীওই ৭,০০০ হেন্না ফাখি, হৌজিকসু ৪৫০ কষ্টদিদা লৈরি




**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ২০১৯গী ওগষ্ট ৫দা জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেটতা অখন্নবা ষ্টেটস অমা পীরমখিবা ইন্দিয়ান কনষ্টিটুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা মতুংদগী নুংনা থাবশিং, কাতুখ-কারন তৌবশিং মিলিটেন্টশিংগী ওভরগ্রাউন্দ ৱার্করশিং অমসুং লৈবাকসিদগী তোঙান তানিংবশিং য়াওনা হান্নগী ষ্টেট অদুদা মীওই ৭,৩৫৭ ঈরাং ঙাকথোক্লবা মাঙজৌনবা থৌরাং ওইনা ফাদুনা কষ্টদিদা থমখি হায়না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজ্য সভাদা হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা ফাদুনা থমখিবা মীওই ৭৩৫৭ অদুগী মনুংদগী মীওই ৪৫১দি হৌজিকসু প্রিভিন্টেব দিটেন্সনগী মখাদা ফাদুনা থমল্লি।

রাজ্য সভাদা ঙরাং হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা জুনিয়ার হোম মিনিষ্টর জি কিষন রেড্ডিনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মির গভর্ণমেন্টনা ফাদুনা থমকিবশিং অদু চুম্মি হায়খি অমসুং মরানশিং তৌবা থিংনবা থবকশিং অদু পাংথোকখিবনি হায়খি। ফাদুনা থমখিবশিং অদু ক্রিমিনেল প্রোসিদিওর কোদ (সিআর পি সি) অমসুং পি এস এগী মখাদা চথখিবনি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেড্ডিনা মহাক্কী পাউখুমদা হায়খি।

তোঙানবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ২০১৯ ওক্তোবর ২১দা জম্মু এন্দ কাশ্মির হায়বা অনৌবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসি শেমখিবা মতুংদগী সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিং শিজিন্নবগীদমক য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী মনুংদা কনাগুম্বা মীওই অমগী মথক্তা সেদিসন কেস থাঙ্গৎখিবা লৈতে হায়খি।

চহী অসিগী জনুৱারি ১০দা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টনা থমখিবা প্রিন্সিপলশিং হায়বদি, চাং চান্নবগী প্রিন্সিপল লৈবা, অথু-অকাইগী মওং, ফংনবা থল্লিবা পান্দম, অতোপ্পা অতে কাঙলোনশিং লৈব্রা য়েংশিনবা, অথিংবশিং থমজিন্নবগী থৌরাং লৌখৎপগী মথৌ তাবা, অথিংবদু খ্বাইদগী হন্থবা ওইগদবা অমসুং অতে করি-করি অতোপ্পা উপাইশিং লৈব্রা য়েংশিনবা অসিনচিংবগী মখাদা লোয়ননা ইন্দিয়ান টেলিগ্রাফ এক্ট, ১৮৫৮গী প্রোভিজনশিং, মদুগী মখাদা শেম্বা রুলশিংগী মতুং ইন্না টেলিকোম সার্ভিসেসকী রিগুলেসনগীদমক দিরেক্সনশিং অদু জম্মু এন্দ কাশ্মির গভর্ণমন্টেকী মতিকচাবা ওথোরিটিনা থোকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ভিম আর্মি চীফনা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি শেম্লগনি, বি এস পি চীফ ময়াবতিগী ভোট বেঙ্কতা চাশিল্লক্লবা য়াবি



**লক্ষ্ণৌ, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** ভিম আর্মি চীফ চন্দ্রসেখরনা দিল্লিদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাংথোকপা থৌরম অমদা মহাক্কী অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি শেম্লগনি।

অনৌবা পার্টি শেম্লে লাওথোকপা অদু য়াম্না শীংথানিঙাই ওইনা বহুজন সমাজ পার্টিগী ফাউন্দর, লৈখিদ্রবা কান্সি রামগী মপোক নুমিৎতা লাওথোক্কনি।

ভিম আর্মিগী ৱাঙাংলোইগী মতুং ইন্না পোলিটিকেল পার্টি অদুগী মমিং অদু অজাদ বহুজন পার্টি, বহুজন অৱাম পার্টি অমসুং অজাদ সমাজ পার্টি হায়না কৌরবা য়াই হায়রি।

লুচিংবশিং অমসুং ফম পায়রিবশিংগী মনুংদগী অয়াম্বনদি অজাদ বহুজন পার্টি হায়বা মমিং অদু শৌগৎলি। অদুবু ইলেক্সন কমিসনগা মখোয়গী অয়াবা পীরক্লবা তুংদা মমিং অদু অরোইবা ওইনা লেপকনি।

পার্টি অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মসিগী মেনিফেষ্টো ফোংগনি, মেম্বরসু খোম্বা হৌগনি অমসুং মখোয়গী থৌরম পারং শেমগনি।

নহরোলশিং খোম্ননবা ভিম আর্মিনা ভিম আর্মি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (বি এ এস এফ) কৌবা মখোয়গী মহৈরোইশিংগী মশা হান্ননা লিংখৎখ্রে।

অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অদু লিংখৎলবা মতুংদা ভিম আর্মিনা সোসিয়েল অমসুং কলচরেল ওর্গনাইজেসন ওইনা পার্টিগী থবক তৌগনি হায়না লিখুলশিং অদুনা হায়কি।

লুচিংবা চন্দ্রসেখরনা দলিতশিং, শোখরবশিং, মুস্লিমশিংদা পার্টি অসিদা য়াওনবা অমসুং শৌগৎনবা আপিল তৌখ্রে।

ভিম আর্মিনা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ), নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার (এন পি আর) অমসুং নেসনেল রেজিষ্টার ফোর সিটিজেন্স (এন আর সি)গী মায়োক্তা চথবা প্রোটেষ্টশিং শৌগৎলি অমসুং হিরম অসিগী মতাংদা মুস্লিম কম্যুনিটিগা চপ মান্নবা ফিরেপ লৈ।

ভিম আর্মিনা উত্তর প্রদেশতা বহুজন সমাজ পার্টিগী ভোট বেঙ্কতা হকথেংননা চাশিল্লকপা য়াই হায়নরি। পোলিটিকেলগী হিরমদা চংলক্লবা অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগী পোলিটিকেলগী য়ুমফম চাশিল্লক্লবগী ভিম আর্মিগী থৌরাং মায়োক্লনবা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) চীফ ময়াবতিনা এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদা পার্টি লুচিংবশিং অমসুং ওফিস বিয়াররশিংগী মীফম অমা পাংথোক্লবা কৌখ্রে।

ভিম আর্মি চীফ চন্দ্রসেখরনা বি এস পি লুচিংবা খরগসু শন্নে অমসুং মখোয় পুথোক্লক্লবা থৌরাংশিং তৌরি হায়বা পাউ খরসু লৈ।

মার্চ ২দা চৎখিবা মহাক্কী লক্ষ্ণৌ খোঙচৎ মনুংদা ভিম আর্মি চীফ অদুনা ২০২২দা পাংথোক্কদৌরিবা মথঙগী য়ু পি এসেমব্লি মীখলদা অপিকপা পোলিটিকেল পার্টি ৫না পুথোকপা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা ওইরিবা ভগিদারি সঙ্কল্প মোর্চাদা মহাক য়াওগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবনি।

# য়ু কে হেল্‌ঠ মিনিষ্টরগী মথংদা স্পেন মিনিষ্টর, হোল্লিৱুদ ষ্টার টোম হোঙ্কস, রিটা ৱিলসন কোরোনাভাইরসনা নাখ্রে





**মাদ্রিদ, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** মালেম পাক শন্না শন্দোরকখ্রবা, ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা পান্দেমিক অমা ওইরে হায়না লাওথোকখ্রবা অনৌবা কোরোনাভাইরস কোভিদ-১৯ লাইচৎনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টর নাদিন দোরিজ নাখিবগী হেক মতুং স্পেনগী মিনিষ্টর নুপী অমসু ভাইরস অসিনা নাখ্রে।

কোভিদ-১৯না নারবী মিনিষ্টর অদুদি স্পেনগী ইক্বেলিটি মিনিষ্টর ইরেনি মোন্টেরোনি। মহাক কোরোনা ভাইরসকী টেষ্টতা পোজিটিব ওইখ্রে অমসুং মাগী পার্টনর, দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পোদেমোস লিদর পেব্লো ইগ্লেসিয়াসকা লোয়ননা কোরেন্টাইন তৌখ্রে হায়না ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা গভর্ণমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর ইরেনি মোন্টেরোগী ফিভম ফনা লৈরি অমসুং সেকেন্দ দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর পেব্লো ইগ্লেসিয়াসসু ফিভম অদুগী মরমদগী কোরেন্টাইন তৌরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী মেম্বর পূন্নমক্না ঙসি অয়ুক কোরোনাভাইরসকীদমক টেষ্টিং চথখরগনি অমসুং টেষ্টকী ফল অদু নুমিৎসিমক্তদা কোন্না ফোঙলগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী কোনুং মেদ্রিদ য়াওনা অতে রিজন খরদসু স্কুল পূন্নমক কোরোনাভাইরসকী মরমদগী থিংজিনখ্রে।

নুমিৎ হুন্নিদা কোরোনাভাইরস লায়না নারকপগী মশীং শরুক ৪ হেনগৎলক্কুনা অনাবা মীং ২,০০০ হেল্লকখিবা অমসুং শিবগী মশীংসু ৪৮ য়ৌরকখিবগা ষ্টেটমেন্ট অদু থোক্লকখিবনি।

মসিগী মমাঙদা হান্নগী নর্স অমা ওইরিবী য়ুনাইটেদ কিংদমগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টর, মশাগী চহী ৬২ শুরবী নাদিন দোরিজসু কোভিদ-১৯না নারে লাওথোকখিবনি। য়ু কেদা মীওই ৪০০রোম হেন্না লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রে।

হৌজিক কোভিদ-১৯ লাইচৎনা শোক্তবা শিনফম অমত্তা লৈত্রে, মমিং চৎলবা হেল্লিৱুদ ষ্টার টোম হোঙ্কস অমসুং মহাক্কী এক্ট্রেস নুপী রিটা ৱিলসনসু কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরে হায়না ঙসি অয়ুক এক্টর অদুনা মাগী ত্বিটরদা লাওথোকখ্রে। মখোয় হৌজিক অষ্ট্রেলিয়াদা লৈরি হায়রি।

পব্লিক হেল্‌ঠ অমসুং সেফটিগী মথৌ তারিবা ফাওবা শাংনা ঐখোয় ওবজার্ব তৌদুনা অমসুং কোরেন্টাইন তৌদুনা লৈরগনি হায়না এক্টর অদুনা মাগী ত্বিটরদা ইরকখি, মখোয় অনীমক চহী ৬৩ শুরবশিংনি।

# কোভিদ ১৯ পান্দেমিক ওইরে ঃ ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন




**জিনেভা, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** মালেম শিনবথুংবদা অনাবা মীওই ৪,৩০০রোম হাৎখ্রবা, নোভেল কোরোনাভাইরস অসি পান্দেমিক অমা ওইনা লেপ্পা য়ারে হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওইগনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও-হু)না লাওথোকখ্রে।

লাইচৎ অসি মালেমগী হকশেলগী লূপ অসিনা পুং ২৪ চুপ্পা য়েংশিন্দুনা লাক্লি অমসুং লাইচৎ অসি শন্দোকপগী অমসুং শাথিবগী কিনিংঙাই ওইরবা চাং অনীমক অমসুং মসি থিংনবা থবক লৌখৎপা ঙমদবগী মীপাইনিংঙাই ওইবা চাংশিং অসিনা ঐখোয় য়াম্না শাথিনা নুংনাংহল্লে।

মরম অদুনা ঐখোয়না কোভিদ-১৯ অসি পান্দেমিক অমা ওইনা লেপ্পা য়ারে হায়বগী এসেসমেন্ট তৌরে হায়না পাউগী মীফম অমদা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী চীফ টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রিয়েসসনা হায়খি।

লায়না অমা নৎত্রগা লাইচৎ অমবু পাক চাওরবা জিওগ্রাফিকেল এরিয়া অমা-খুদম ওইনা কন্টিনেন্ট কয়ামরুম হেনবদা শন্দোক্লবদি পান্দেমিক অমনি হায়না লাওথোকই।

চিনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরসনা হৌজিক ফাওবদা মালেমগীওইনা মীওই ১,২৫,০০০হেন্না নাহনখ্রে। পান্দেমিক হায়রিবসি ইরাই লাইনা নৎত্রগা চেকশিনদনা শিজিন্নগদবা ৱাহৈ অমা নৎতে। করিগুম্বা লান্না শিজিন্নবা তারবদি মরম চাদবা অকিবা থোকহনবা য়াবা নৎত্রগা থিংনবা হোৎনবা অদু লোয়রে হায়না চুমদবা অয়াবা অমা পীদুনা মথৌ ইতা তাদনা অৱাবা অমসুং শিবা থোকহনগদবা ৱাহৈ অমনি।

ফিভম অসিবু পান্দেমিক অমা ওইনা তাকপা অসিনা মসিগী কোরোনাভাইরস অসিনা পীরিবা অকিবা অদুগী ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী এসেসমেন্ট হোংদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী শাথিনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং অদুদি চিনাদা অনাবা মশীং ৮১,০০০, শিবা মশীং ৩১৫৮নি। মসিগী মথংদা ইতালি (অনাবা মশীং ১০,১৪৯, শিবা মশীং ৬৩১), ইরান (নাবা মশীং ১০,০৭৫ শিবা মশীং ৪২৯), সাউথ কোরিয়া (নাবা মশীং ৭৭৫৫, শিবা মশীং ৬০) অমসুং ফ্রান্স (নাবা মশীং ১৭৮৪, শিবা মশীং ৩৩) হেন্না শিখি।

স্পেননা কোন্না লাইচৎ অসিনা নাবা মশীং ২,০০০ হেল্লে অমসুং শিবা মশীং ৪৮ য়ৌরে হায়না রিপোর্ট তৌরকখি। অসুন্না স্পেননা ফ্রান্সতগী হেন্না শোকখ্রে।

মালেমগী অতে মফম লান্না লাইচৎ অসি শন্দোকখ্রবসু হৌজিক চিনাদদি লাইচৎ অসিগী ফিভম হন্থরকখ্রে। মমাঙগী নুমিৎতা মেনলেন্দ চিনাদা মীওই ২৪ লাইচৎ অসিনা নৌনা নারকখিবা মতুংদগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতদি সুপ্নগী মীওই ১৫ খক্তমক নৌনা নারকখি। হৌজিক লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা অনাবা মীওই ৬২,৭৯৩ অনাবা ফরকখ্রে অমসুং হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। মসি লাইচৎ অসিনা নাখিবা অপুনবা মশীংগী চাদা ৮০ রোমনি।

হৌজিক চিনাদা থবক শুফমশিং হাংদোক্লরকখ্রে, পোথোক পুথোকপা হৌরকখ্রে। ফেব্রুৱারি থাদা ফেক্টরিগী থবক খ্বাইদগী শাথিনা শোকখিবা অদু হৌজিকতি লৈত্রে। মেনুফেকচরিং য়ুনিটশিং থবক হৌখ্রে।

এয়ারলাইন্সনা লাইচৎ অসিগী চৈথেং খ্বাইদগী হেন্না ফংখি। ফেব্রুৱারি থাদা চিনাগী এয়ারলাইনশিংনা পুন্না য়ুৱান বিল্লিয়ন ২০.৯৬ (দোল্লর বিল্লিয়ন ৩) মাঙখি হায়বগী রিপোর্ট তৌখি।

ৱুহাননা মরুওইবা ইন্দষ্ট্রি খরা থবক তৌহনবা য়াহল্লগনি হায়না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হুবৈ প্রোভিন্সতা হুবৈ গভর্ণমেন্টনা হায়খি। ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা লাইচৎকী মরমদগী অথিংবা থমখিবশিং অদু প্রোভিন্স অসিগী অতোপ্পা সিটি হায়বদি কিয়ান জিয়ান অমসুং শিশৌদা অমসুং গোনগান অমসুং ঝুজি কাউন্টিশিংদা কোমথোক্লগনি হায়খি।

# ইরাক রোকেট এটেকতা ৩ শিখ্রে

**বাঘদাদ, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** ইরাককী কোনুং বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা ইরাকি মিলিটরি বেজ অমদা রোকোটশিংনা পানবদা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অমেরিকান লান্মী ১, বৃটিস লান্মী ১ অমসুং য়ু এস কন্ট্রেক্টর ১ শিখ্রে হায়না য়ু এস মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী কয়ামরুগী মনুংদা ইরাকতা মীরৈবাক্কী লান্মীশিং থম্বা মফম অমদা চথরকখিবদা মসিনা খ্বাইদগী মী শিবা এটেক অদুনি অমসুং মসি বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা য়াওনা লৈবাক অসিদা য়ু এস লান্মীশিংদা রেকেট এটেক কয়ামরুম চথরকখ্রবগী মতুংদনি।

এটেক অদু কনানা তৌবনো হায়বা ফোঙদোক্লক্ত্রি। লৈবাক কয়ামরুন্না শাবা, লান্মী লিশিং কয়াগী ইন্টরনেসনেল কোলিসন অমা য়ু এসনা লুচিংলি। কোলিসন অদু ইস্লামিক ষ্টেট থেংননবা ২০১৪দা ইরাকতা শেমখিবনি।

# মাইনর প্লানেট ১৩৯ লোম পুথোকখ্রে

**ৱাসিংটন, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** এষ্ট্রোনোমরশিংনা সোলার সিষ্টেম অসিগী অরাপ্পা মফমশিংদা লৈবা অনৌবা ট্রান্স-নেপচুনিয়ান ওবজেক্স (টি এন ও)- মাইনর প্লানেট ১৩৯ দিস্কোভর তৌখ্রে।

দার্ক ইনর্জি সর্ভে (দি ই এস)তগী অহানবা চহী ৪গী দাটা শিজিন্নদুনা গ্রেজুয়েট মহৈরোই পেদ্রো বর্নারদিনেল্লিনা ইমেজ অদুগী বেকগ্রাউন লেবেলশিং অদুগী মথক্তা লৈবা সোফৱায়ার অদুনা দিটেক তৌবা ওইথোক্লিঙাই ওইবা ওবজেক পূন্নমক্কী দোট বিল্লিয়ন ৭কী দাটাসেট অমদগী থিজিনবা হৌরগা অনৌবা ওবজেক ১৩৯ অদু পুথোকখিবনি হায়রি।

ষ্টদি অসি এষ্ট্রোফিজিকেল জর্নেল সপ্লিমেন্ট সেরিজদা ফোঙখ্রে।

# ক্রাস তৌখিবা এফ-১৬গী পাইলোট শিখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** পাকিস্টানগী কোনুং ইস্লামাবাদতা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মিলিটরি পেরেদ অমগী রিহার্সেল তৌবদা ক্রাস তৌখিবা ফাইটর এয়ারক্রাফ এফ ১৬ অদুগী পাকিস্টান এয়ার ফোর্স পাইলোট অদু শিখ্রে।

কোনুং অসিগী শকরপরিয়ান এরিয়াদা ক্রাস তৌখিবা অদুদা পাকিস্টান এয়ার ফোর্সকী ৱিং কম্মান্দর নাওমেন অক্রম শিখ্রে হায়না পাকিস্টান এয়ার ফোর্সনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। পাকিস্টানগী অমমদা য়ামদ্রবদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৪০ পীবা এফ ১৬ প্লেন ৫০ রোম লৈ।

# নিতিন গাদকারিনা সিটিশিংদা নুপীশিংগী শাফনবা পিঙ্ক বসশিংগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মার্চ ১২(এজেন্সি)ঃ** নুমিৎ খুদিংগী বস তোঙদুনা চৎপী নুপীশিংগীদমক নুংঙাইরবা পাউ লৈরে, থুনমক বস তোঙদুনা চৎপা অসি মমাঙগী মতমদগী হেন্না শাফরগনি।

লৈবাক অসিগী নুপী মশীং ক্রোর ১ লৈবা সিটিশিংদা মখোয়গীদমক পিঙ্ক মচুগী বসশিং চেল্লগনি। পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা নুপীশিংগী সেক্যুরিটিগী মতাংদা লোক সভাদা হন্দক হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা পিঙ্ক মচুগী বসশিং অসিদা বস দ্রাইভরশিং, কন্দক্তরশিং অমসুং পেসেঞ্জরশিং লোয়নমক নুপী ওইগনি হায়খি।

সার্ভিস অসি সিটি খরদদি হান্ননা হৌখ্রে অমসুং মখোয়দু মায় পাক্লা চেল্লি। বসশিং অদু সি সি টিভি কেমেরাশিং অমসুং পেনিক বট্টনশিং শোয়দনমক পান্নবা মেনুফেকচররশিংদা হান্ননা পাউতাক পীখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পার্লিয়ামেন্টতা মসিগী মান্নবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর অসিনা দিল্লিদা অনৌবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট বস পূন্নমক্তা পেনিক বট্টনশিং লোয়ননা সি সি টিভি কেমেরানচিংবা পাল্লগনি হায়খি।

চক্কা অনী পানবা অমসুং চক্কা ৩ পানবা ইলেক্ট্রিক গাড়িশিং পার্মিটতগী কোমথোক্কদবনি হায়না মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট পূন্নমক্তা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মসিগী মথক্তা নুপী পেসেঞ্জরশিং




পুনবগীদমক অমসুং থবক ফংবা হেনগৎহন্নবা নুপীশিংনা চক্কা ২ অমসুং ৩গী ই-ৰিক্সরশিং চল্লাইবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-404**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | 4 | 1 | | | | 8 | |
| 8 | | | 2 | | 4 | | 6 | |
| | 1 | | | 5 | | 2 | | 9 |
| | 7 | | | | | 8 | 2 | 5 |
| 1 | | | | 8 | 2 | | | 4 |
| 4 | | 2 | | 9 | | | 1 | |
| | 9 | 1 | | | 5 | 4 | | |
| 2 | 4 | | 8 | | | | 5 | |
| | | 8 | | | 1 | | 7 | |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 09/01/20
Valid : 28/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 09/01/20
Sl. No. : 2047
Valid : 04/01/20
Sl. No. : 0851
Stk : 882 /19kg-24
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**সনা-সুদোকু - ৪০৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 6 | 7 | 8 | 1 | 9 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 8 | 2 | 3 | 9 | 6 | 5 | 7 |
| 7 | 3 | 9 | 6 | 4 | 5 | 8 | 2 | 1 |
| 8 | 7 | 5 | 1 | 6 | 4 | 3 | 9 | 2 |
| 4 | 9 | 2 | 8 | 7 | 3 | 5 | 1 | 6 |
| 6 | 1 | 3 | 5 | 9 | 2 | 7 | 4 | 8 |
| 3 | 8 | 1 | 4 | 5 | 6 | 2 | 7 | 9 |
| 5 | 6 | 4 | 9 | 2 | 7 | 1 | 8 | 3 |
| 9 | 2 | 7 | 3 | 1 | 8 | 4 | 6 | 5 |